# লোক সভাগী স্পিকর ওম বির্লানা এম পিশিংদা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক থিংনবগী ৱাশক লৌনবা হায়জখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): মীয়াম্বু সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক য়ারিবমখৈ শিজিন্নহন্দনবগীদমক্তা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা অসিগুম্বা প্লাষ্টিক শিজিন্নবা থিংনবা অচেৎপা ৱাশক লৌগদবনি হায়না লোক সভাগী স্পিকর ওম বির্লানা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হাউস অসিনা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১৩০ রিপ্রজেন্ট তৌরি। ঐহাক্না হাউস অপুম্বনা লৈবাক অসিদা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নবা লেপহনগদবনি হায়বা ৱাফম অসিবু য়াগনি হায়না থাজে। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না ৱাশক অমা লৌবা তারবদি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা অসিগুম্বা মেসেজ অমা শোইদনা য়ৌবা ঙমগনি।

হাউসনা সেসন পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা অসিগুম্বা ৱাশক অমা লৌদুনা মালেম পুম্বদা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা অসিগুম্বা ৱাশক অমা লৌরে হায়বদু খঙহনগদবনি হায়না স্পিকর বির্লানা ফোঙদোকখি।

ওম বির্লাগী রেকমেন্দেসন অসিবু লাৱর হাউসকী এম পিশিংনা তারম্না ওকখি। মহাক্না লোক সভাদা লৈরিবা কোংগ্রেস পার্টিগী লিদর অদিরঞ্জন চৌধরিদসু অসিগুম্বা ৱাশক অমা লৌনবা হায়বদা কোংগেসকী লিদর অসিনসু য়ানিংবগী ইংগিৎ পীখি।

য়ুনিয়ন ইনভাইরেমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাশ জাবেদকরনা ৱাখল্লোন অসিবু থাগৎলদুনা মদু অফবা প্রপোজল অমনি অমদি ঐখোয়না মদুবু শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

মনকী বাতকী ৫৭শুবা ইপিসোদতা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংদা ৱা ঙাংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়ন ক্রোর ১৩০না মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নবা লেপননবা ৱারেপ লৌরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ন্যু য়োর্কতা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লি (য়ু এন জি এন)গী ৭৪শুবা সেসনদা ৱা ঙাংখিবদসু ৱারেপ অসিগা লোয়ননা ইনভাইরনমেন্টতা শিংনবা কয়া থেংননবা ইন্দিয়ানা লৌখৎলিবা অতৈ খোঙথাং কয়াসু পনখিবনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নবা থিংনবা লৌখিবা ৱারেপ অসিবু য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল এন্তোনিয়ো গুটরেসনসু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রবনি।

চৈরকসিদা, শিব সেনানা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা মহারাষ্ট্রাবু মে ১ ফাওবগী মনুংদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক ফ্রী ওইবা ষ্টেট ওইহল্লগনি হায়না ইরাই নুমীৎতা ষ্টেট অসিগী ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অদিট্য থাকরেনা লেজিসলেটিভ কাউন্সীলদা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৮দা মহারাষ্ট্রা গভর্ণ-মেন্টনা অমুক্তং শীজিন্নগদবা বেগশিং, চমচশিং অমদি প্লেটনচিংবশিং য়াওনা প্লাষ্টিক মেটরিএলশিং শীজিন্নবা, য়োনবা, চাইথোকপা অমদি থম্বদা অথিংবা থমখিবনি। গভর্ণমেন্টনা বাই-বেগ পোলিসীগী মখাদা কঞ্জার্ভেন্সি ৱার্করশিংদগী প্লাষ্টিক আইটেমশিং কিলোগ্রামদা লুপা ১৫ গী চাংদা লৈনবসু লেপ্লে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# তেলঙ্গনা রাষ্ট্রা সমিটিগী এম এল এগী ৱাফমগী মায়োক্তা বি জে পিনা পুলিসতা কমপ্লেন্ট তৌখ্রে



হায়দ্রবাদ, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): পাকিস্থান্দগী লাক্লগা হায়দ্রবাদতা মতম শাংনা লৈরকখিবা মীওইশিং মখোয়গী মরমদমদা অমুক হলহনবা তৌরোই হায়বা তেলঙ্গনা রাষ্ট্রা সমিটি (টি আর এস)কী এম এল এ অরেকাপুদি গান্ধীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা খোয়রাং-খোয়শাউনরবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না হীরম অসিগী মতাংদা পুলিসতা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখ্রে হায়না পার্টি অসিনা শগোলশেন নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক হায়দ্রবাদকী সেরিলিঙ্গামপালিদগী কারকখিবা টি আর এসকী এম এল এ অরেকাপুদি গান্ধীনা হীরম অসিগী মতাংদা শেংদোক্নবা হোৎনরদুনা মহাক্না হায়রিবা অদু মফম অসিদা মতম শাংনা লৈরক্লবশিংগীনি। ইকুই কুইদ্রিবা মতমদা অতৈ লৈবাকশিংদগী নৎত্রগা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লৈবা অতৈ লৈবাকশিংদগী ইন্দিয়াদা লাকখিবশিংগীদি নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

এম এল এ গান্ধীনা মীফম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদগী অতম্ননা ইস্যু অমা শাগৎনবা হোৎনরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

টি আর এসকী এম এল এনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী পার্টিনা পাকিস্থান্দগী নৎত্রগা লৈবাক অসিগী অতৈ ষ্টেটশিংদগী লাক্লগা মতম শাংনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মুস্লিমশিং প্রোটেক্সন পীগনি হায়বা ৱাফম্সুসু সেফ্রোন পার্টি অসিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। টি ভি চেনেলশিংনা শন্দোকখিবা ভিদিও ক্লিপতা গান্ধীনা তেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্র সেখর রাওজি মশামক্না ৱাফম অসি ফোংনা পনখ্রবনি হায়না ফোঙদোকপা উখি।

তঙাইফদ্রবদি ঐখোয়না পব্লিক মীটিং অমা পাঙথোক্কনি। মীটিং অসিদা নত্তনা সী এ এগী মায়োক্তা এসেম্ব্লীদা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌগনি অমসুং মদু সেন্টরদা থাগনি। নখোয় পাকিস্থান, রাজস্থান, মহারাষ্ট্রা নৎত্রগা কর্নাটাকাদগী লাক্লগা এদ্রেস লৈতবা ওইরবসু ঐখোয়না লৈরিবমখৈ কনাগুম্বশিংনা নখোয়বু নখোয়গী নরমশিংদা অমুক হলহনবা হায়বসি থোক্লরোই হায়না ভিদিও অদুদা মহাক্না ফোঙদোকখি হায়রি।

# নির্ভয়া গেঙ রেপ এন্দ মর্দর কেসকী কনভিক্ট পৱন গুপ্তনা সুপ্রীম কোর্টতা ক্যুরেটিভ পিটিসন ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): মঙকশমদা থৌরী থুদুনা হাৎকদবা নুমীৎ ৪নিদা ঙাইশিল্লক্লবা দিল্লিগী চহী ২৩ গী মেদিকেল মহৈরোয় অমা গেঙ রেপ তৌবগা লোয়ননা হাৎখিবগী কেসতা কনভিক্ট অমা ওইরিবা পৱন কুমার গুপ্তনা ইরাই নুমীৎতা সুপ্রীম কোর্টতা ক্যুরেটিভ পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা মহাক্কী শিবগী চৈরাক অদু পুন্সি চুপ্পগী ফাদোক তাহনবদা ওইনা ওন্থোকপীনবা হায়জখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা পৱন গুপ্তা অসি কেস অদুদা ক্যুরেটিভ পিটিসন অমা থাবগী লিগেল ওপসন লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা কনভিক্টনি। মহাক প্রসিদেন্টতা মর্সি প্লি অমসু থাবা য়াগনি হায়রি।

অতৈ কনভিক্ট ৩ মুকেশ কুমার সিংহ, বিনয় কুমার শর্ম্মা অমসুং অক্ষয় কুমারগী মর্সি পিটিসনশিংগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা রিজেক্ট তৌখ্রবনি। সুপ্রীম কোর্টনা মমাঙদা মুকেশ কুমার সিংহ অমসুং বিনয় কুমার শর্ম্মানা মখোয়গী মর্সি পিটিসনশিং য়াখিদবদু শিংনদুনা থাখিবা প্লিশিং দিসমিস তৌখ্রবনি। অক্ষয় কুমারগী ওইনদি হৌজিক ফাওবা মহাক্কী মর্সি পিটিসন রিজেক্ট তৌখিবদু চেলেঞ্জ তৌবা লৈত্রি। দিল্লিগী কোর্ট অমনা ফেব্রুৱারী ১৭তা পীখিবা রুলিংদা কনভিক্টশিং অদু মার্চ ৩দা থৌরী য়ান্দুনা হাৎকদবনি হায়খিবনি।

# দি এম কেগী লেজিসলেটর অমসু চেন্নাইদা লৈখিদ্রে

চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): দ্রাবিদা মুনেত্রা কাঝগাম (দি এম কে)গী এম এল এ, এস কথাভরায়ন ইরাই নুমীৎতা তামিল নাদুগী কেপিটেল চেন্নাইদা লৈখিদ্রে।

কথাভরায়ননা হৌখিবা নুমীৎ নীনি অসিদা লৈখিদবা দি এম কেগী অনীশুবা লেজিসলেটরনি। মহাক লৈখিদবগা লোয়ননা মেম্বর ২৩৪গী তামিল নাদু এসেমব্লীদা মহাক্কী পার্টিগী ষ্ট্রেংথ ৯৮ দা হন্থখ্রে।

পার্টি ছোর্সশিংনা ফোঙদোক-খিবদা, ভেলোর দিষ্ট্রিক্টকী গুদিয়াথাম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি রিপ্রজেন্ট তৌরিবা মশাগী চহী ৫৮ শুরবা এম এল এ অসি চেন্নাইদা লৈবা মহাকপু লায়েং চথরকখিবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা অরোইবা য়াহিপ তানখি। এম এল এ অসিনা লৈখিদবদা তামিল নাদুগী গভর্ণর বনৱারিলাল পুরোহিট অমসুং দি এম কেগী চীফ এম কে ষ্টেলিননা অৱাবা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা পার্টিগী এম এল এ অমসুং হান্নগী মিনিষ্টর কে পি পি সামিনা শগোলশেন নুমীৎতা চেন্নাইদা লৈখিদ্রবা মতুং নোংমা লৈরগা কথাভরায়ননা লৈখিদবসি পার্টিগী ওইনা নুংনাংনিংঙাইহনি হায়না ষ্টেলিননা ফোঙদোকখি। গভর্ণর পুরোহিটনা মহাক্কী অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱারোলদা এম এল এ অসিনা লৈখিদবসি মহাক্কী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মীয়ামদা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপা অমা মায়োক্লহৌরগনি হায়খি।

# পাটিদার এজিটেসন কেসতা সুপ্রীম কোর্টনা হর্দিক পটেলদা মার্চ ৬ ফাওবা এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৫ দা গুজরাতকী পাটিদার এজিটেসন মনুংদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংগা মরী লৈনবা কেসতা সুপ্রীম কোর্টনা ইরাই নুমীৎতা কোংগ্রেস লিদর হর্দিক পটেলদা মার্চ ৬ ফাওবা বেল পীখ্রে।

কোর্ট অসিনা গুজরাত পুলিসতা মহাকপু পাটিদার কোটা এজিটেসন কেসকা মরী লৈননা ফাবা তৌরোইদবনি হায়নসু খঙহনখি। চয়োল অমা চুপ্না মহাকপু ফাহন্দনবগী ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা এপেক্স কোর্টনা গুজরাত গভর্ণমেন্টতা নোটিশ অমা ইস্যু তৌদুনা ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা হৌজিক চথরিবা প্রোগ্রেসকী মতাংদা মথং ইরাই ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখি। পটিলনা মহাক্কী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমা রিজেক্ট তৌনবা থাঙ্গৎলকখিবা প্লিগা মরী লৈননা জষ্টিসশিং য়ু য়ু ললিত অমসুং ভিনীট সরানগী বেঞ্চ অমনা গুজরাত গভর্ণমেন্টতা নোটিশ ইস্যু তৌখিবনি। কেস অদু কুমজা ২০১৫ দা থাঙ্গৎখিবনি অমসুং হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা ইনভেষ্টিগেসন লোইশিন্দ্রি। কেস অসিদা নখোয়না চহী ৫ থবক্তা প্রোগ্রেস লৈহন্দবগী মওং লৈরিবসি চুমদে হায়না বেঞ্চ অসিনা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখি।

কোটাগী এজিটেসন অদুগী শরুক অমা ওইনা কুমজা ২০১৭গী দিসেম্বরদা পটেলগী লিচিং মখাদা পাটিদার অনামট অন্দলোন সমিটিনা শীন্দুনা অহমেদবাদতা অচৌবা রেল্লি অমা পাঙথোকখিবনি অমসুং পুলিসনা পার্মিসন য়াওদনা ইভেন্ট অদু পাঙথোকখি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা লোনা য়াদবা মওংদা মীয়াম পুনবগীদমক্তা এফ আই আর অমা পানখিবনি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 165/SDC/IW (P) of 2020**

Chanambam Mani Devi W/o (Late) Chanambam Amu Singh of Sagolband Khamnam Leirak. ...Petitioner

-Vrs-

(Late) Chanambam Amuba Singh S/o (Late) Thambal Singh of Ngairangbam Basti. ...O.P. Party

**NOTICE**

28th Feb. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮৩ - লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ২৪৭/৫৭৬ (অনৌবা), দাগ নং ৩৪৭/৭৮৭কী পোইন্ট ০.২৩ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পানঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৭/০৩/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

HL-P/6576/29 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 106/SDC/NTK/2020**

1. Laishram Gambhir Singh S/o (L) L. Bhorot Singh of Ningthoukhong Kha Khunou Ward No. 4
2. Laishram Sanatomba Meetei S/o (L) -do- of -do- ....Petitioners

-Vs-

(Late) Laishram Bhorot Singh S/o (L) Lairenjao Singh of Ningthoukhong Kha-Khunou. ...Opponent

**NOTICE**

Ningthoukhong, the 27/2/2020

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 44 - Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 44/533 (O), 91/1013 (N), C.S. Dag No. 2052/3647, an Area 0.11 acre of Ingkhol Class অসি পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ০৫/০৩/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/6515/29 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 107/SDC/NTK/2020**

Ranabati Nongthombam D/o N. Bira Singh of Khagempali Huidrom Leikai. ....Petitioner

-Vs-

(Late) Nongthombam Ibohal Singh S/o (L) Megha Singh of Khagempali Huidrom Leikai, Imphal ...Opponent

**NOTICE**

Ningthoukhong, the 27/2/2020

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 48 - Naranseina Village গী Patta No. 48/332 (O), 63 (N), C.S. Dag No. 94, an Area 2.76 acre of Anganphou Class অসি পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ০৫/০৩/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/6515/29 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

/হন্না হন্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



সুধাকর

ঐগী কিদনি অনীমক্তা লৈরম্বা নুং অনী অদু শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক, ইম্ফালদা লৈবা নূংগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকরনা ওজাগী মহুৎ শিন্দুনা লায়েংবীবদগী হাপ্তা ৮ (নিপাল) হীদাক চাবদা তাখ্রে। অনৌবা অলত্রা সাউন্দ লৌবদসু লৈরমদ্রে। মসিগীদমক্তা ইচানুপাবু হন্না হন্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

**Sd/- Sagolshem Jugeshwor**
Uchiwa Leirak Achouba

HL-P/6260/29

/পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ফম্লুরগা হৌগৎলগা চৎপা ঙমদবা, ঙকশম মরী নাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, কময়া অনীমক নাবা, ফম্বী শোনবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা মরম ওইদুনা পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা মফম হোংল-হোংলদুনা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, য়েৎকী খুৎশাশিং তিংথোক-তিংশিন তৌবদা য়াম্না তিংবা ঙমদবা, ফম্লুরগা ফুক হৌগৎলগা চৎপা ঙমদবা, ওইগী হকচাং শগন নাম্মা হাইদোক-হাইজিন তৌবদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা ইপংতা পংশিনবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, পুকচেপ নাবা, চাকখাও শোকপা, চাবা থকপা য়াদবা, চাবা তুমদবা, পুক্তা প্রিক-প্রিক খোংলগা লৈবা, ফম্বী য়াম্না শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, কময়া অনীমক চিকপা-নাবা, য়ুং হানবদা ঈশিং মরীদা শাবা, অমাংথোঙদা গ্যাস চৎলু য়াদবা, মথকলোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎলকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা য়াম্না অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাম্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা চাবা থকপসু য়াদবা, খ্বাং নাবা, য়াংলেন মরীসু নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুব্বদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/6160/29 *থাগৎচরিবা:* **W. Robin Meitei, Waiton**

OFFICE OF THE
Kanglei Leimarol Leishemba Group ( K.L.L.G )
*MantripukhriKalibariNear Bishop House,Imphal East,Manipur-795002*

No.015/02/2019 –KLLG Date: 20/02/2020

**Job Vacancy**

Applications in plane paper along with resumes are inviting from energetic and dynamic smart educated persons who have the willingness to work for the post of **Recovery Officers(R.O)** in our emerging company .

***Essential Qualification***: 10+2 and above in any stream from recognized Board/University. Experience in Loan recovery and having computer knowledge is preferred.

| | |
|---|---|
| *Salary* | : Rs.6,000 + Allowances |
| *Last date of Application Submission* | : 16th March 2020 |
| *Date of Interview* | : 20th March 2020 |

**N.B :The applicants should posses their own vehicle.**

Sd/-
Manager (L.F)
8837483007

HL-P/6248/23,25,27,29,2,4,6

CBSE CLASS IX&X
ADMISSION OPENS
6 MONTHS FOUNDATION COURSE
SUBJECTS: ENGLISH, MATHS, SCIENCE AND S.SCIENCE
CLASS STARTS : 2ND MARCH 2020 (Monday )
Timing : 4.30 pm - 8.00 pm
RESOURCE TUTORIAL CENTRE
KHURAI LAMLONG BAZAR , OPPOSITE KHURAI GIRLS SCHOOL(KVS),IMPHAL EAST.
FOR MORE DETAILS : PLIZ CONTACT- 8415923747/9366072052
HL-P/6050/12feb to 17 march

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/6081/25/2to27/3(alt.)

/ পাইলসকী ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা পাইলসনা নাবদগী খ্বাং নাবা, গ্যাষ্ট্রিক লৈবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা য়াম্না থুপ্পা-শাবা, শৌজদা হাকৎচবা, কক-কক থিনবা, শৌজ মনুংদগী মচুম তাবা, মনম নমথীবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ তারকপা, ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, শৌজগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবনি। অদুবু ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681গী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী হীদাক চাজবদগী শুপ্নতগী নুমিৎ ১৫নিদা অৱাবা, নুংঙাইতবা পূম্নমক কোক্লে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি পাইলস প্রোব্লেম লৈবশিংনা ওজাগা তানবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু হায়জনীংই।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am to 4pm)

*থাগৎচরিবা :* **Th. Dhananjoy**
Uripok Sinam Leikai
HL-P/6245/29

S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION IS GOING ON FOR FOUNDATION COURSE 2020
CLASS : IX & X
SUBJECT OFFER ARE: Science, Social Science, Math, English, Manipur
CLASS TIMING :
MORNING : 4.45 TO 7.10
EVENING : 4.30 TO 7.10
First Come First Serve
CLASS : XI & XII
SUBJECTS ARE: Physics, Chemistry, Biology, Mathematics
CLASS COMMENCING FROM
19TH FEB., 27TH FEB., 16TH MARCH, 25TH MARCH AND 1ST APRIL
Special Featrues are :
(1) Regular Test;
(2) Perfect Student's help notes and Q & A.
(3) Well known Guest Faculties;
(4) Practical teaching method
(5) Van Services;
(6) Hostel for boys & girls
(7) Day boarding facilities
For more details please contact # 9856331259
HL-B/5950/13 feb/2marchto17april)

OUR SHINING STARS



1st POSITION HOLDER
HSLC 2019 (BOSEM)
BHUMIKA SHAMURAILATPAM



2nd POSITION HOLDER
HSLC 2019 (BOSEM)
SHOPHIYA ASEM

SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market Radheshyam Shopping Complex,Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
IX,X BOSEM & XII Sc.COHSEM
STARTS ON 13th & 20th Jan.2020
MEGA TEST 2020

| CLASS X | CLASS XII |
|---|---|
| 19/01/20 - ENGLISH | 20/01/20 - ENGLISH |
| 21/01/20 - SCIENCE | 22/01/20 - PHYSICS |
| 23/01/20 - S/S | 24/01/20 - MATHS |
| 27/01/20 - MATHS | 28/01/20 - CHEMISTRY |
| 29/01/20 - M/M | 01/02/20 - BIOLOGY |
| 2/02/20 - OPTIONAL | |

CLASS IX,X,XI & XII (GENERAL MATHS) CLASS X(HIGHER MATHEMATICS) FACULTY E.BENERJIT MEITEI
Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial
HL-P/5899/11jan to 10march(alt.)